
# নেসন্স লীগ: মমাংগী চেম্পিয়ন পোর্তুগলবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা ফ্রান্স নেসন্স লীগকী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

লিজবোন, নবেম্বর ১৫(এজেন্সী):
যুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক পুন্নমক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ এ(৩)দা মমাংগী চেম্পিয়ন পোর্তুগলবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা ফ্রান্স টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



গ্রুপ অসিগী ঙরাং রাউন্দ ৫ শান্নবা লোয়শিনখিবদা ফ্রান্সনা মেটচ ৫দা ৪ মায়পাকপা ঙমখিবা অদুগা মেটচ অমখক দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা টিম ৪গা গ্রুপ অদুদা মকোক্তা লৈবা ঙল্লি। পোর্তুগলনা মেটচ ৫ শান্নবদা ৩ মায়পাক্লগা মেটচ অমা দ্রো চৎখিবা অমসুং মেটচ অমা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

গ্রুপ অসিগী ওইনা রাউন্দ অমা শান্নগদবা ল্বাৎলি। করিগুম্বা ফ্রান্স অকোনবা মেটচ অদু মায়থীরগা পোর্তুগলনা মায়পাক্তুনা পোইন্ট ১৩/১৩ মান্নরবসু টিম অনীগী লম্বাদা ঙরাং ফ্রান্সনা মায়পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোর্তুগল সেমীফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈখিদবনি। পোর্তুগলনা ঙরাং মায়থীখিবা অদু টিম অদুনা কুমজা ২০১৮ ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা মায়থীখিবা অদুগী মতুংদা অহানবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদু টিম অনীম্মক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু পাঞ্জল চনবা য়াবা খুদোংচাবদি ফ্রান্সনা হেন্না ফংখি। টিম অদুগী এন্থোনি মার্সিএলনা খুদোংচাবা অহুম পাঞ্জল ওইহনবা ঙমখিদবনি।

২শুবা হাফতা ফ্রান্সকী গ্রিজমানননা বোল অমা টিমমেট বাবিওটতা পীরকপগী কাওশিনখিবদা পোর্তুগলগী পেট্রিসিওদা খেৎলগা হন্দোরকপদা ফ্রান্সকী গোলো কান্টেনা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। কৃষ্টিয়ানো রেনাল্ডো য়াওবা পোর্তুগলগী টিম পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীদুনা সেমী-ফাইনেলগী লম্বেল লোয়শিনখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্বিদেননা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা রেলিগেসন্দগী নাম্থোক্নবা খুদোংচাবা অমা ফংখি।

ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ এ (৪) গী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিনা উক্রেনবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা পুন্না পোইন্ট ৯ ফংলগা মকোক্তা লৈবা ঙমখি। অদুগা স্বিটজর্লেন্দ অমসুং স্পেন পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।

# টোকিও ওলিম্পিক্স: আই ও সিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা গেমসকী চীয়রলিদর ওইনবা টোকিও য়ৌরক্লগনি

টোকিও, নবেম্বর ১৫(এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী অমা য়েথোক্তুনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী শান্ননবা শেম শারিবা অসিগা মরী লৈননা মীয়াম্না গেমস অসি পাঙথোকপা য়াগনি য়ারোই হায়বগী চিংনবা লৈরিবা অদু কোকহন্নবা পাম্বৈ অমা ওইনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) গী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা গেমস অদুগী চীয়রলিদর ওইনা থৌদাং লৌননবগীদমক টোকিও য়ৌরক্লগনি।



মতম শাংনদগী ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিতি অমসুং টোকিও ওলিম্পিক ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী মখাতানা শন্দোরক্লিবা ফিভম অসিগী মনুংদা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্কনি হায়না লাউদুনা লাক্লিবনি।

লাউদুনা লাক্লিবা খোলাউ অদু নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিৎতদি মখোল হেনগৎকনি হায়না পান্নরি। নীংশিংবা য়াই, টোকিও ওলিম্পিক গেমস অদু চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু চাইনাদগী শন্দোরকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চহী অমা য়েথোকখিবনি।

আই ও সিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা থা তরেৎ মখায়মুক্কী মতুংদা টোকিওদা লাক্তুনা গেমস অসিগী ওর্গনাইজরশিং, স্পোন্সরশিং অমদি অতোপ্পা মরী লৈনবা মীওই কয়াগা খুৎ শোক্লদুনা অমদি ফোটো নম্মিন্নদুনা সিটি অদুদা রাউন্দ কয়া চৎকদৌরি। বেকনা মফম অদুগী গেমস অসি পাঙথোকপদা শৌগৎলিবা পোলিটিসিয়নশিং, চিংনবা ফাওরিবা পব্লিকশিং অমদি থবক ইংখাং অমসুং শেলথুমগী অৱাবা কয়া লাক্লবা য়াই হায়না খল্লিবা মীওইশিং অদুদা ৱা ঙাংদুনা মখোয়গী চিংনবশিং অদু কোকহন্নবা হোৎনগদৌরি।


মহাক্না মীয়ামদা আই ও সি অমসুং টোকিও গেমস ওর্গনাইজরনা লৌখৎকদৌরিবা অকুপ্পা খোঙথাংশিং অদুগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খঙহনবদি তৌরোইদৌরি। মহাক্না মমাংদগী হায়দুনা লাকখিবা, টোকিও এথলিট ১১,০০০ অমদি ভাবককয়া অমসু পুরক্কনি। লোয়ননা পেরালিম্পিক্সকী ওইনসু পেরা এথলিট ৪৩৫০ সিটি অদুদা গেমস শরুক য়াহনগনি।

হান্নদগী হেন্না থাজবা মওংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অমা লৈরগনি লোয়ননা রেদি টেস্টিংগী খুদোংচাবা ফংহনগদৌরিবা অসিনা ওলিম্পিক অসি পাঙথোকপদা লায়হনবতা নত্তনা লেপ্তুনা লৈরিবা ক্বালিফাইং ইভেন্টশিংসু পাঙথোকপা য়াহল্লগনি হায়খি।

প্রাইভেট চার্টর প্লেন অমদা টোকিওদা থুংলবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিতা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগাগা উন্নগনি। মহাক্না পুং অমগী মতুংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেদা ওলিম্পিক এৱার্দ খুশিন্নগনি।

পুং অমা লৈরগা টোকিও গভর্নর য়ুরিকো কোইকেগসু উন্নগনি। মীদিয়াগী মীওই কয়াগসু উন্নদুনা কনফরেন্স পাঙথোক্কদৌরি। লোয়ননা থোমাস বেকনা এথলিটস ভিলেজ য়েংশিল্লবা মতুং নৌনা শেমগৎখিবা নেসনল ষ্টেদিয়মসু য়েংশিনগদৌরি।

# জপানগী ঈকি টকাহাসিনা মিটর ১০,০০০গী ৱাক রেসতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগায়খ্রে



টেকিও, নবেম্বর ১৫(এজেন্সী):
জপানগী এথলিট ঈকি টকাহাসিনা মিটর ১০,০০০গী রেস ৱাককী ৱর্ল্ড রেকোদ থুগায়খ্রে।

টোকিওগী জুন্টেন্দো য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা লোং দিষ্টেন্স কম্পিটিসনদা য়ুন্থু জপানগী এথলিট ঈকি টকাহাসিনা অকনবা লম্বা মরক্তা মিনট ৩৭:২৫:২১দা চত্তুনা ৱাক রেস অদু মকোক ওইখিবতা নত্তনা ইভেন্ট অসিগী ওইনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখিবনি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা টকাহাসিবু য়াম্না কন্না লম্বা পীরকখিবা অতোপ্পা এথলিট অদুদি কুমজা ২০১৮দা পাঙথথোকপা ৱর্ল্ড রেস ৱাকিং টিম চেম্পিয়নশিপকী কিলোমিটর ২০গী কেটগরিদা ৱিনর ওইখিবা কোকি আইকিদানি। আইকিদানা ঙরাং পাঙথোকপা কম্পিটিসন অদুদা মিনট ৩৭:২৫:৯০দা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াই, আইকিদানা চয়োল অহুমগী মমাংদা হায়রিবা ট্রেক অদুমক্তদা পাঙথোকপা মিটর ৫০০০গী রেস ৱাকতা জপানগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখিবনি। অমরোমদা ৱর্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট য়ুটা কোগানা ঙরাং অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# বেলারুসকী এরিনা সবালেনকানা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা লিঞ্জ ওপন টাইটল লৌখ্রে

লিঞ্জ, নবেম্বর ১৫(এজেন্সী):
ওষ্ট্রিয়াগী লিঞ্জ সিটিদা থা অসিগী ৯দগী চথরকপা লিঞ্জ ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা বেলারুসকী এরিনা সবালেনকানা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।



য়ু এস দোল্লর ২০২,৫০০গী অপূনবা শেলগী মনা লৈবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইখিবী বেলারুসকী সবালেনকা অমসুং নম্বর টু সিদেদ ওইখিবী মার্টেন্সকা ঙসি ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, সবালেনকানা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা ঙরাং চেক রিপব্লিককী বার্বোরো ক্রাইচিকোভাবু ৭-৫, ৪-৬, ৬-৩দা থোইরম্বনি। অমরোমদা, মার্টেন্সনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ রসিয়াগী একাটেরিনা অলিজান্দ্রোভাবু ২-৬, ৬-১, ৭-৫দা থোইখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরক্তুনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। অহানবা সেট অদুগী গেম ১০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা শান্নরোয় অনী গেম ৫-৫ থোইনদুনা লৈখি। সবালেনকানা মার্টেন্সকী সর্ভিস ব্রেক অমা তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী সর্ভিস অদু হোল্ড তৌদুনা ১১শুবা অমসুং ১২শুবা গেম অদু থোইরগা ৭-৫দা অহানবা সেট অদু মায় পাক্তুনা মাংজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অমা শোত্থরবা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সনা অনীশুবা সেট অদুদা ফুগৎনবা হোৎনখিবা অদু বেলারুসকী এরিনা সবালেনকানা ফজবা হেঞ্জিল্লকপদগী মার্টেন্সকী সর্ভিস গেম অনী সবালেনকানা ব্রেক তৌখি। মদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা সেট অদুসু সবালেনকানা ৬-২দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ প্যের চেক রিপব্লিককী লুসি রাদেকা অমসুং কেটেরিনা সিনিয়াকোভাবু মরিশুবা সিদেদ প্যের নেদরলেন্দসকী অরান্সা রুস অমসুং স্লোভেনিয়াগী টি জিদান সেককী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

পনবা য়াবদি, রাদেকা অমসুং সিনিয়াকোভানা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা বেলজিয়মগী আই বারা অমসুং স্পেনগী সোরিবস টোর্মোবু থোইরম্বনি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা রুস অমদি জিদানসেকনা কানাদাগী দাব্রোস্কি অমসুং রসিয়াগী বোনারিভাবু থোইরমখি।

ফাইনেল মেটচতা রুস অমসুং জিদানসেকনা চেক রিপব্লিককী প্যের অদুবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

# আই এস এলগী টিম ৫ এ এফ সী অমসুং নেসনল লাইসেন্স ফংদ্রি





ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৫(এজেন্সী):
থা অসিগী ২০দগী গোৱানা য়ূম্থু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা অপূনবা টিম ১১গী মনুংদা ৫ এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী) অমসুং নেসনল লাইসেন্স ফংদ্রি। মখোয়দা নৎতনা আই লীগতা শান্নরিবা টিম ৮সু মখোয়না থাগৎখিবা এপ্লিকেসন অদু ঙাইহরি।

কুমজা ২০২০-২১ সিজনগী ওইনা নেসনল অমসুং এ এফ সী ক্লব লাইসেন্সিং এপ্লিকেসন পীশিনখিবা অদু আই এস এল ক্লবশিংগী ওইনা ঙরাং লাউথোকখি। মদুদা এ এফ সী অমসুং নেসনল লাইসেন্স ফংলবা ক্লবশিং অদুদি- এফ সী গোৱা, এ টি কে মোহন বগান, বেঙ্গলুরু এফ সী, জমশেদপুর এফ সী, চেন্নাইন এফ সী অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সীনি। অদুগা লাইসেন্স ফংদ্রিবা ক্লবশিং অদুনা ওরিষা এফ সী, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী, কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সী, হায়দরবাদ এফ সী অমসুং এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনি।

লাইসেন্স ফংদ্রিবা ক্লবশিং অসিনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী ক্লব লাইসেন্সিং আপিলস বোদিদা আপিল তৌবা য়াগনি হায়রি। ক্লব লাইসেন্সিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী লেপখিবা ৱারেপ অদু হন্দোকপীননবা নৎত্রগা কম্মিটি অদুনা মখোয়বু কোমথোকপীননবা হায়জবা য়ারি।

হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিনা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী কুমজা ২০২০-২১ সিজনগী ওইনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অপীবা মতমগী অরোইবা নুমীৎ শাংদোকপীননবা হায়জরকপশিং অদু য়াবগী ফীভমদা লৈরি। মসিগা মরী লৈননা সিজন অসিদা ইন্দিয়ন সুপর লীগ অমসুং আই লীগতা শান্নরিবা ক্লবশিংগী ওইবা লাইসেন্স পীবগী অরোইবা নুমীৎ অদু থা অসিগী ৯ ফাওবা শাংদোকখিবনি। আই লীগকী টিম ৮সু লাইসেন্স ফংদনা লৈরি।

# অহানবা ওইনা এ টি পি ফাইনেলসতা ইলেক্ট্রোনিক লাইন-কোল্লিং অমসুং ভিদিও রিভিয়ু শীজিন্নরগনি

লন্দন, নবেম্বর ১৫(এজেন্সী):
ঙসিদগী লন্দনদা হৌখিবা মালেমগী নুপাগী টেন্নিসগী চহী ১ লোইশিল্লকপদা পাঙথোকপা এ টি পি ফাইনেলসকী মেটচ খূদিংমক অহানবা ওইনা ইলেক্ট্রোনিক লাইন-কোল্লিং অমসুং ভিদিও রিভিয়ু শীজিন্নরগনি।





কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী য়েংলগা টুর্নামেন্ট অসিদা লাইন জজ অমত্তা লৈরোইদৌরি। মরম অদুনা বোল অদু আউট তাই নৎত্রগা তাদে হায়বগী মতাংদা হোক আই হায়না খঙনবা ইলেক্ট্রোনিক সিষ্টম অসিনা লাইন জজকী মহুৎ শিনগদৌরি।

এ টি পি টুরগী চহী লোইশিল্লকপদা খ্বাইদগী পোইন্ট ফংবা মকোক মথং তাবা সিঙ্গলসকী শান্নরোয় ৮ অমসুং দবলসকী প্যের ৮না কম্পিটিসন অসিদা লম্বা তৌনরিবনি। শান্নরোয়শিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা লাইন জজ লৈত্রবসু চ্যের অম্পায়র অদুদা বোলশিং অদু মখোয়না চিংনবা মওংদা আউট তাবা নৎত্রগা থেংবা খোৎপগী মতাং অদুদদি ভিদিও রিভিয়ু তৌননবা চ্যের অম্পায়রদা রিক্বেষ্ট তৌবা য়াই।

এ টি পিগী চিফ টুর ওফিসর ওইরিবা রোস হটচিন্সনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলিঙৈ চৈরক অসিদা অনৌবা ইলেক্ট্রোনিককী টেক্নোলোজি অসি শীজিন্নরগা টুর্নামেন্ট পাঙথোকপদা ওফিসলশিং শীজিন্নদ্রবসু য়াবগী অনৌবা খোঙথাং অসি য়াম্না মতম চাবনি হায়না ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা এ টি পি কপতা ভিদিও রিভিয়ু শীজিন্নখিবা অদুগা হন্দক্কী এ টি পি ফাইনেলসতা শীজিন্নরিবা ভিদিও রিভিয়ুগা খেন্নবা খরা লৈগনি। হন্দক্কী মতাং অসিদা লাইনগী কোলশিং অদু ইলেক্ট্রোনিকনা মহুৎ শিনখ্রগদবা মরম্না ভিদিও রিভিয়ুনা ইলেক্ট্রোনিক জজমেন্ট অদুদা চেলেঞ্জ তৌবা য়ারোইদৌরি।

নুপাগী শান্নরোয় ৮না শান্নরোয় ৪/৪গী ওইবা গ্রুপ অনীদা লম্বা তৌনগদৌরি। মখোয়শিং অদুদি জোকোবিচ, মেদবেদেব, জ্বেরেব অমসুং দিএগো অদুগা নদাল, থিয়ম, সীসীপাস অমসুং রুব্লেবনি।

# কেপিটেল ফাউন্দেসন নেসনল এৱার্দ নরিন্দর বত্রনা ফংখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৫(এজেন্সী):
ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা নরিন্দর বত্রনা শান্নবগী লম্দা লৌখিবা থৌদাং অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা ইন্দিয়াগী ওইনা পীবা কেপিটেল ফাউন্দেসন নেসনল এৱার্দ অদু ফংখিবনি।

ঙসি ন্যু দেল্লিদা ওনলাইনদা মমিং লৈরবা জষ্টিস কৃষ্ণ আয়রগী ১০৬শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকপগী থৌরমদা মনা অদু নরিন্দর বত্রদা শিন্নখিবনি।

পনবা য়াই, নরিন্দর বত্রা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইবতা নৎতনা ইন্টরনেসনল হোকি ফেদেরেসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরি। অদুগা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বর অমসু ওইরিবনি।

বত্রনা কেপিটেল ফাউন্দেসন নেসনল এৱার্দ অদু ফংলকপদা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মণিপুর মচা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মমাংদসু হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্লবা বত্রনা হোকি মশান্না খক্তা নৎতনা শান্নবগী দিসিপ্লিন পূম্নমক্কী ওইবা চাউখৎ খোঙথাংদা অমদি স্পোর্টস এদমিনিষ্ট্রেসনদা মহাক্না লৌরিবা থৌদাং অসি য়েংলুরগদি মনা অদু মঙোন্দা পীবদা মতীক চাই হায়খি।

গ্যানেন্দ্রোনা মখা তারদুনা বত্রনা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদগী হৌনা ইন্দিয়ন হোকিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমখি। বত্রা মশামক হোকি শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরকখিবনি। কুমজা ১৯৯৭ তগী জম্মু এন্দ কাশ্মীর হোকি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা কুমজা ২০১১ ফাওবা থৌ পুখি। কুমজা ২০০৫দগীনা ২০১৩ ফাওবা দেল্লি এন্দ দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসনগী ট্রেজররসু ওইরমখি। হোকি ইন্দিয়া শেম্লবা মতুং জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্লগা কুমজা ২০১৪দগীনা ২০১৬ ফাওবা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরমখি।

# ঙাঙোম বলা য়াওবা রেঞ্জর্স এফ সী অহানবা ওইনা সেল্টিককী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখ্রে

গ্লাসগো, নবেম্বর ১৫(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবী অদুগা যুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল লীগতা অহানবা ওইনা শান্নবা ঙল্লিবী ঙাঙোম বলা য়াওবা স্কোটলেন্দগী নুপীগী ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্স দব্লিয়ু এফ সীনা ঙসি শান্নখিবা স্কোটিশ ৱিমেন প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরিশুবা মেটচতা অহানবা ওইনা সেল্টিককী মখূৎতা ০-১দা মায়থীবা নংখ্রে।



রেঞ্জর্স দব্লিয়ু এফ সী মমাংদা প্রেমিয়র লীগ অসিগী শান্নখিবা মেটচ অহুম্মক মায় পাক্তুনা লাকখিবনি। টিম অসিনা ঙসি মখোয়গী হোম গ্রাউন্দদা সেল্টিকপু য়ূম্থু ওইরগা লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ অদু শান্নখিবনি। মেটচ অদু হৌরকপদা রেঞ্জর্স এফ সীনা বোল হেন্না পায়বগী চাং ৱাংখি। অদুবু মখোয়না পায়খিবা বোলশিং অদু সেল্টিক ফুটবোল টিমগী পেনাল্টি এরিয়া তম্না পুশিনদুনা পাঞ্জল ওন্থোকপগী তাঞ্জা অদুদি কা হেন্না ফংখিদে। ৩৫শুবা মিনটতা রেঞ্জর্সকী মায়কৈদগী লিজি আরনোটনা বোল অমা ফংদুনা মহাক্কী টিমমেট জো নেসতা খায়রকপদা নেসনা কাওশিনখিবা বোল অদু শাফূ ৱাৎপা অমদি মায়কৈ ওন্নবদগী সেল্টিককী গোলকিপ্পর লোগাননা সেফ তৌবা ঙমখি।

৩৯শুবা মিনটতা রেঞ্জর্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইরম্লগদবা তাঞ্জা অমসু মাঙজখি। টিম অদুগী ক্ল্যের জেমেলনা কাওশিনখিবা বোল অদু গোল লাইনদগী সেল্টিককী দিফেন্দরনা ঙাকথোরকখিবনি।

অনীশুবা হাফকী ময়াই চনশিল্লকপদা ঙাঙোম বলা শান্নবা চঙলকখি। অদুবু কান্নবা ইফং ফংদনা লৈরিঙৈ মেটচকী লোইশিল্লকপদা সেল্টিকনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা সম্মর গ্রীননা চন্দুনা রেঞ্জর্স এফ সী ০-১দা মায়থীহৌখি।

# দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টকী প্রাইজ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচএনএস):
ওগষ্ট ১৩ খূদিংগী ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন (অম্বা)না চহী খূদিং পাঙথোক্তুনা লাকপা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট চহী অসিগী 'ফ্রী হেন্দ হোল বোদি ৱর্ক আউট এট হোম দ্যুরিং লোকদাউন ২০২০' হায়না মিংথোনদুনা পাঙথোকখিবা কন্টেষ্টকী মকোক-মথং তাখ্রবা মীওইশিংদা খুমনলম্পাক্তা লৈবা ওফিসতা মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে হায়না অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু ধনঞ্জয়, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডরস এসোসিএসনগী এদভাইজর অমসুং মিষ্টর মণিপুর ১৯৭৯ ক্ষেত্রিময়ুম গুনাধোর, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস লালমোহন, অম্বাগী এক্স-প্রসিদেন্ট ৱাই ভিম, অম্বাগী এদভাইজর এন কে গোগেন্দ্রো, অম্বাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ও অজিৎ অমদি অম্বাগী প্রসিদেন্ট এন রতনসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অম্বাগী ২০২০-২১গী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা হৌজিক ওইরিবা মালেমগী পেন্দমিক কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা '৫৯শুবা মিষ্টর মণিপুর' মতম কক্তনা য়েথোকপদা য়ানখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।





Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com